# সেন্ত্রেল ইলেক্সন ওবজার্ভর অমা কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইরক্লে

গুৱাহাটি, মার্চ ১০ (এজেন্সি):

অসামদা পাঙথোক্কদৌরিবা এসেমব্লি ইলেক্সনগা মরী লৈননা ইলেক্সন কম্মিসন ওফ ইন্দিয়ানা জোহরাট দিষ্ট্রিক্টতা ওবজার্ভর ওইনা থারকখিবা অমা কোভিদ-১৯ টেষ্ট তৌরুবদা পোজিটিভ ওইরক্লে হায়রি।

হৌখিবা নিংথৌকাবা নুমিৎকী নুমিদাংৱাইরমদা অসামদা থুংলখিবা পঞ্জাবতগী ইলেক্সন ওবজার্ভর মঞ্জিৎ সিংহ ব্রার কোভিদ-১৯ সিন্তোমশিং থেংনবদগী টেষ্ট তৌখি। মদুগী মতুং লৈবাকপোকপা নুমিৎকী অয়ুক্তা মহাক কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইরে হায়বা খঙখিবনি।

হীরম অসিগা মরী লৈননা ওফিসরশিংনা ফোঙদোরকখিবদা মঞ্জিৎ সিংহ জোহরাটতা লৈবা মহাক্কী মরী মতা অমগী য়ুমদা থমখিবগা লোয়ননা হোম আইসোলেট তৌহনখ্রে। মহাক্কা লোয়ননা অয়ুক্তা ব্রেক ফাষ্ট চামিন্নখিবা নহা অনী অদুসু কোভিদ-১৯ টেষ্ট তৌখ্রে। অদুবু মখোয় অনীদি নেগেটিভ ওইরমখি।

অদুমওইনমক ওফিসলশিংনা পায়খৎলকপা চেকশিন থৌরাংগী শরুক অমা ওইনা মখোয় অনীমক ক্কারন্টিন তৌদুনা থমখ্রে হায়রি। অমরোমদা জোহরাটকী দিপ্যুটি কম্মিস্নার রোসনী এ কোরাতিনা ফোঙদোকখিবদা অনৌবা ওবজার্ভর অমা ঈ সী আইনা থারক্লগনি হায়না খঙহল্লক্লে।

ৱেষ্ট বেঙ্গলদগী লাক্কদৌরিবা অনৌবা ইলেক্সন ওবজার্ভর পি এ সিরিকি হয়েং থুংলগনি। মঞ্জিৎকী দ্রাইভর অমসুং পি এস ও লোয়ননা মহাক্কী প্রোটোকোল ওফিসর অসিম বরুৱাসু হৌজিক হৌজিক ক্কারন্টিন তৌদুনা থমখ্রে হায়না নুপী ওফিসর অসিনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।



ঙসিদগী হৌরগা মার্চ ২৫ ফাওবা নুমিৎ ১৫ নি চুপ্পা ওল চিলদ্রেন আর ৱেলকম টু স্কুল, ইনক্লুদিং চিলদ্রেন ৱিথ দিসএবিলিটি হায়বা ৱাফমদা য়ুম্ফম ওইরগা হেন্দিকেপ দিভলপমেন্ট ফাউন্দেসন মণিপুর, জন বিকাস সম্মিটি বনারাসি অমসুং লিলিয়ন ফোন্দস নেদরলেন্দনা শীন্দুনা ঙরাংবমদা লৈবা এস কে আইদেল স্কুলদা পাঙথোকখিবা ৱি রিং দি বেল কেম্পেইনদা শরুক য়াখিবা মহৈরোয় অমদি ওজাশিং

# অহানবা ফেজগী অসাম এসেমব্লি ইলেক্সনদা কোংগ্রেস অমদি চৎমিন্নরিবা পার্টিশিংনা চাওনা মায় পাক্কনি : রিপুন বোরা

গুৱাহাটি, মার্চ ১০ (এজেন্সি):

অহানবা ফেজগী ওইনা সিট ৪৭ তা লম্বা তৌনগদৌরিবা অসাম এসেমব্লি ইলেক্সনদা কোংগ্রেস অমদি পার্টি অসিগা চৎমিন্নরিবশিংনা সিট ৪০ রোম মায় পাক্কনি হায়না অসাম কোংগ্রেসকী চীফ রিপুন বোরানা ফোঙদোরক্লি।

মহাক্না হায়খিবদা মার্চ ২৭ তা অহানবা ফেজগী ওইনা অসাম এসেমব্লি ইলেক্সন পাঙথোক্কনি। কোংগ্রেসনা লুচিংবা গ্রান্দ এলাইয়েন্সনা অসামদা শুংশোই শোয়দনা বি জে পি গভর্ণমেন্ট মায়থিবা পীদুনা কোংগ্রেসনা লুচিংবা গভর্ণমেন্ট শেম্বা ঙম্লগনি। কোংগ্রেস হায় কমান্দনা অয়াবা পীরবদি কোংগ্রেসনা লুচিংলগা শেমগদৌরিবা অসাম গভর্ণমেন্টতা মহাক্না চীফ মিনিষ্টরগী ফম পুরবা য়ানা লৈ।

মহাক্না চীফ মিনিষ্টর ওইবা নৎত্রগা ওইদবা হায়বসিদি হায় কমান্দগী অপাম্বা মতুং ইন্না লেপকদবনি। হায় কমান্দনা হায়রকপা খুদিংমক মহাক্না ঙাক্না চৎকনি হায়রি। মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখিবদা বি জে পিনা লুচিংবা লৈঙাক অসিনা ষ্টেট অসিবু মাঙলোমদা চাওখৎনবা হোৎনবগী মহুত্তা মনিং হলহল্লে।

অসামদা লৈরিবা মীয়াম্না বি জে পিগী লৈঙাক পামদ্রে হায়বসি খুদিংমক্না খঙনরবা ৱাফমনি। অসামদা লৈরিবা টি ৱার্করশিংগী খুৎশুমন হেনগৎহল্লে হায়না বি জে পি গভর্ণমেন্টনা মীয়ামদা নমথাক তৌরি। অদুবু হৌজিক্তি বি জে পিনা তৌরিবা অরানবা থবকশিং মীয়াম খঙলবনিনা হন্দক্কী ইলেক্সন অসিদা শুংশোই শোয়দনা বি জে পি মায়থিবা নংলগনি হায়না রিপুননা ফোঙদোরক্লি।

# প্রাইভেটএজেন্সিশিংনা গভর্ণমেন্টদিপার্টমেন্টশিংদা ষ্টাফসপ্লাই তৌগদৌরি

অগরটালা, মার্চ ১০ (এজেন্সি):

ত্রিপুরাদা হৌজিক লৈরিবা বি জে পিগী লৈরিবা লৈঙাক অসিনা ষ্টেট গভর্ণমেন্টকী তোঙান তোঙানবা দিপার্টমেন্টশিংদা ষ্টাফ লৌবা মতমদা প্রাইভেট কম্পনিশিংনা খুৎথিংজিনবদা অয়াবা পীখিবা অদুনা মরম ওইরগা গভর্ণমেন্টকী থবক অমা ফংলবদি হায়না হোৎনরিবা ত্রিপুরাগী নহা কয়াদা নীংহন্নবা পোকহল্লি।



হৌখিবা ফেব্রুৱারী ২৬ তা দিরেক্টোরেট ওফ ইমপ্লোয়মেন্ট সার্ভিস এন্দ মেইন পৱার প্লানিংনা থোরকখিবা সার্ক্যুলর অমগী মতুং ইন্না গভর্ণমেন্টকী মখাদা লৈবা দিপার্টমেন্টশিংগী ষ্টাফ লৌবগী থবক প্রাইভেট ফার্মশিংনা তৌগনি।

ত্রিপুরা গভর্ণমেন্টনা হীরম অসিগা মরী লৈননা তোঙান তোঙানবা গভর্ণমেন্ট দিপার্টমেন্টশিংনা ষ্টাফ সপ্লাই তৌনবগীদমক এজেন্সি ৫ খনগৎখ্রে। হায়রিবা এজেন্সিশিং অসিনা গ্রুপ-দি দগী হৌরগা ওফিসর লেভেল ফাওবগী থবকশিং লৌগদৌরি। গভর্ণমেন্টনা খনগৎখ্রবা এজেন্সি ৫ অদুদি ভিজুএল সেকুরাজ এন্দ ইনফোটেক লিমিটেদ, উজান অভোইনগর, অগরটালা; এম এস সপোর্ট সার্ভিস প্রাইভেট লিমিটেদ, গুরগাউন্দ রোদ, কপাসেরা, ন্যু দেল্লী; এ আর কে ইনফোর্মেটিক্স প্রাইভেট লিমিটেদ, অসিরবাদ হাউস, নোর্থ জয়নগর, অগরটালা; নোর্থ ইষ্ট সেক্যুরিটি সিভনগর, মসজিৎ রোদ, অগরটালা অমসুং স্কিলফুল ষ্ট্রষ্টফুল সেক্যুরিটি কোওপরেটিভ সোসাইটি, এ দি নগর, অগরটালানি।

নৌনা থোকখিবা সার্ক্যুলর অসিগী মতুং ইন্না ষ্টেট অদুদা লৈরিবা লাইরিক লাইশু হৈরবা নহা কয়া থবক ফংদবগী অকিবা লৈরে। ত্রিপুরা পব্লিক সার্ভিস কম্মিসন্না লৌরম্বা এগজামশিং প্রাইভেট এজেন্সিশিংদা খুৎশিন্নখিবা অসি লাইবকথিবনি। ইমপ্লোয়মেন্ট সার্ভিস এন্দ মেইন পৱার প্লানিং দিপার্টমেন্টকী দিরেক্টর নরেস বাবুনা থোরক্লিবা ওর্দর অসিনা ষ্টেট অদুদা থবক ফংদবগী চাং হান্নদগী চাং য়াম্না ৱাংখৎহল্লগনি হায়না ত্রিপুরাদা লৈবা মহৈরোয় লূপশিংনা ফোঙদোক্লরক্লি।

অমরোমদা ত্রিপুরা গভর্ণমেন্টকী ফিরেপ অদুবু ওপোজিসন পার্টিনা অকনবা মওংদা য়ানিংদবা ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা গভর্ণমেন্টনা লৌখিবা ফিরেপ অমুক হন্না রিভিয়ু তৌনবা তকশিনখ্রে হায়রি।

# সিক্কিম য়ুনিভর্সিটিদা সেক্সচুয়েল হরাষ্টমেন্টকী কেস অমা থোকখ্রে

গেংটোক, মার্চ ১০ (এজেন্সি):

সিক্কিম য়ুনভর্সিটিদা পি ঐচ দি তৌরিবা মহৈরোয় নুপীমচা অমনা য়ুনিভর্সিটি অদুদা ওজা ওইনা থবক তৌরিবা এসিষ্টেন্ট প্রোফেসর অমনা মহাক্কী মথক্তা সেক্সচুয়েল হরাষ্টমেন্ট চৎখে হায়না য়ুনিভর্সিটি ওথোরিটিদা কমপ্লেন তৌরকখ্রে।

নুপী ভিক্টিম অসিনা কমপ্লেন তৌরকখ্রবা মতুং সিক্কিম য়ুনিভর্সিটিগী ইন্তরনেল কমপ্লেন কম্মিটিনা থিজিনবা হৌখ্রে। থৌদোক অসিদা চেন্নৈ হায়রিবা ওজা অদু ইংলিশ দিপার্টমেন্টতা এসিষ্টেন্ট প্রোফেসর ওইনা লৈবা রামভাৱন য়াদব কৌবা মীওই অমনি হায়না মশক খঙবা ঙমখ্রে।

এসিষ্টেন্ট প্রোফেসর অসিনা ভিক্টিম অদুদা মহাক্না লুহোংগনি হায়না অরানবা ৱাফম কয়া হায়জিল্লগা মহাক্কী মথক্তা সেক্সচ্যুয়েল হরাষ্টমেন্ট চৎখিবনি। হৌখিবা কুমজা ২০১৮ দগী হৌরগা হিমালিয়ন ষ্টেটশিংদা লৈবা য়ুনিভর্সিটিদা লাকখিবা সেক্সচুয়েল হরাষ্টমেন্টকী কেস অসি হন্দক্কী অসিগা অহুমলকশুবনি।

থৌদোক অসিগা মরী লৈননা সিক্কিম য়ুনিভর্সিটি ভাইস চাঞ্চেল্লর প্রোফেসর অভিনাস খারেনা ফোঙদোকখিবদা থৌদোক অদুগী মতাংদা ইন্তরনেল কমপ্লেন্ট কম্মিটিনা থিগৎপা হৌখ্রে। থা অমগী মনুংদা থৌদোক অদুগী মতাংদা অশেংবা অমা পুথোক্লবা হোৎনগনি হায়রি। মমাং চহীদসু মাস কম্যুনিকেসন দিপার্টমেন্টতা প্রোফেসর ওইবা সিলাজিৎ গুহানা নুপী মহৈরোয় অমা মোলেষ্ট তৌখি হায়বগী মতাংদা সস্পেন্দ তৌখিবা লৈরে।

# আর জে দি অমসুং কোংগ্রেস ৱারী শান্নখ্রে

গুৱাহাটি, মার্চ ১০ (এজেন্সি):

গ্রান্দ এলায়েন্সতা পার্টনর ওইরিবা রাজষ্ট্রিয়া জনটা দল (আর জে দি) অমসুং কোংগ্রেস পার্টি অনীগী মরক্তা অসাম এসেমব্লি ইলেক্সনগী লেমহৌরিবা ফেজ অনীগী মতাংদা ৱারী শান্নবা হৌখ্রে হায়রি।

গ্রান্ট এলায়েন্সতা নৌনা য়াওরকখিবা আর জে দিনা অসামগী মরু ওইবা কন্সটিট্যুয়েন্সি ওইরিবা টিনসুকিয়াদা মখোয়গী মিরেপ ওইনা হিরা দেবী চৌধুরি পুথোকখ্রে। অহানবা ফেজকী ওইনা সিট ৪৭ কী মনুংদা কোংগ্রেসনা ৪৩ দা লম্বা তৌনগদৌরি। কোংগ্রেসকা চৎমিন্নরিবা গ্রান্দ এলায়েন্সকী মেম্বর এ আই য়ু দি এফ, অঞ্চলিক গনা মোর্চা, সী পি আই-এম এল অমসুং আর জে দিনা সিট অমমম খক্তা কন্টেষ্ট তৌগদৌরি। টিনসুকিয়াগী সিট অসি কোংগ্রেস লিদর প্রিয়াঙ্কানা অসাম কোংগ্রেসতা হায়জরবা মতুং পীখিবনি।

# EMPLOYMENT NEWS

**IMD Recruitment 2021: Government of India, India Meteorological Department (IMD) (Ministry of Earth Sciences) Mausam Bhawan, Lodi Road invites applications from eligible Indian Citizens for filling up of posts of Scientist 'C', 'D' and E levels in India Meteorological Department Ministry of Earth Sciences (Proper) on direct recruitment basis. The last date for submission of online applications is 12th March 2021.**
**Advertisement No. 01/2021-IMD**
**Name of Post**
**Total Vacancies**
**Scientist 'E' (Forecasting)**
**03**
**Scientist 'E' (Instrumentation)**
**03**
**Scientist 'E' (Computer / IT)**
**02**
**Scientist 'D' (Forecasting)**
**14**
**Scientist 'D' (Instrumentation)**
**08**
**Scientist 'D' (Agriculture Meteorology)**
**04**
**Scientist 'D' (Computer / IT)**
**03**
**Scientist 'C' (Forecasting)**
**14**
**Scientist 'C' (Instrumentation)**
**03**
**Age Limit:**
**Scientist 'E': 50 years**
**Scientist 'D': 50 years**
**Scientist 'C': 40 years**
**Pay Scales:**
**Scientist 'E': Pay Level-13 (123100-215900) in Pay Matrix as per 7th CPC**
**Scientist 'D': Pay Level-12 (78800-209200) in Pay Matrix as per 7th CPC**
**Scientist 'C': Pay Level-11 (67700-208700) in Pay Matrix as per 7thCPC**
**Educational Qualifications:**
**Forecasting: Master's Degree in Physics or Mathematics or Chemistry or Meteorology or Atmospheric Science/ Atmospheric Physics or Oceanography or Geophysics (with Meteorology)/ Remote Sensing or equivalent subject with at least 60% marks at the qualifying degree level.**
**Instrumentation: Master's Degree from a recognized university in Electronics or Instrumentation or equivalent subject with at least 60% marks(First Class) at the qualifying degree level. (OR) Bachelors Degree in Engineering or Technology in Electronics/ Instrumentation/ Electrical/ Telecommunication/ Mechatronics Engineering or equivalent subject with at least 60% marks (first class) at the qualifying degree level.**
**Computer/ Information Technology (IT): Master's Degree from a recognized university in Computer Science or Computer Applications/ Information Technology or equivalent subject with at least 60% marks at the qualifying degree level.or Bachelors Degree in Engineering or Technology from a recognized University in Computer Science/ Information Technology or equivalent subject with at least 60% marks at the qualifying degree level.**
**Agriculture Meteorology: Master's Degree in Agricultural Meteorology/ Agricultural Physics or equivalent subject with at least 60% marks.**
**Experience:**
**Scientist 'E': Minimum 11 years' experience in relevant field.**
**Scientist 'D': Minimum 07 years' experience in relevant field.**
**Scientist 'C': Minimum 03 years' experience in relevant field.**
**Selection Process: Interview.**
**How to Apply: Eligible Interested candidates apply online only through incois.gov.in. The last date for receipt of online application is 42 days (i.e. Last date for submission of applications is 12/03/2021), 60 days for those in Assam, Meghalaya, Arunachal Pradesh, Mizoram, Manipur, Nagaland, Tripura, Sikkim, Ladakh UT, Lahaul and Spiti District, Pangi Sub Division of Chamba District of Himachal Pradesh, Andaman & Nicobar Islands and Lakshadweep) from the date of publication of this advertisement in Employment News paper dated 30th January 2021 (i.e. Last date will be 30/03/2021).**

**TRB PG Assistant Recruitment 2021 Notification, Apply Online Here: Government of Tamil Nadu, Teachers Recruitment Board (TRB) Chennai invites online applications from eligible candidates for direct recruitment of Post Graduate Assistants / Physical Education Directors Grade-I in School Education and other departments for the year 2020-2021 under Tamil Nadu Higher Secondary Educational Service. The TN TRB Post Graduate Assistants Jobs 2021 online registration process will be start from 1st March and scheduled to be end on 25th March 2021.**
**Advertisement No. 01/2021 (TN PG ASSISTANT EXAM 2021)**
**Name of Post**
**Total Vacancies**
**Post Graduate Assistants / Physical Education Directors Grade - I**
**2098**
**Subject wise Vacancies:**
**Tamil - 268**
**English - 190**
**Mathematics - 110**
**Physics - 94**
**Chemistry - 177**
**Zoology - 106**
**Botany - 89**
**Economics - 287**
**Commerce - 310**
**History - 112**
**Geography - 12**
**Political Science - 14**
**Home Science - 03**
**Indian Culture - 03**
**Bio Chemistry - 01**
**Physical Director Grade I - 39**
**Computer Instructor Grade I - 39**
**Minority Medium - 09**
**Age Limit:**
**40 years as on 1st July 2021.**
**Age Relaxation - 05 years for SC, ST BC Muslims, BC, MBC and De-notified Communities anddestitute widows of all castes.**
**Pay Scale: Basic Pay – ? 29,800/- (with higher initial) at entry point in Pay Matrix Level-9 of WBS(ROPA) Rules, 2019. Other allowances are admissible as per existing Government Rules.**
**Anticipated Vacancies:**
**GNM: Female - 3577, Male - 397 posts**
**Basic B.Sc Nursing (Only for Female): 2032 posts**
**Post Basic B.Sc Nursing(Only for Female): 308 posts**
**Educational Qualifications:**
**Post Graduate in relevant subjects with at least 50% marks (or its equivalent) from recognized University.**
**Bachelor of Education (B.Ed.,) from National Council for Teacher Education recognized institution.**
**Other Qualifications:**
**No person shall be eligible for appointment to the posts unless he / she possesses the qualification as prescribed by the National Council for Teacher Education by Regulations from time to time.**
**The persons must have obtained a Post Graduate Degree, after completion of S.S.L.C., Higher Secondary Course or its equivalent and a degree (10+2+3+2) from any University or Institution,recognized by the University Grants Commission.**
**The Bachelor's and Master's degrees must have been obtained from an institution recognized by the University Grants Commission and the courses must have been duly permitted by the competent authority authorised on this behalf.**
**Adequate knowledge of the official language of the State, namely, Tamil.**
**Selection Process:**
**Computer Based Examination.**
**Certificate Verification.**
**Application Fee:**
**500/- for General and OBC category candidates.**
**250/- for SC/ SCA/ ST and differently abled candidates.**
**The exam fee payable only through online net banking /credit card / debit card.**
**How to Apply: Eligible candidates should apply online through Teachers Recruitment Board Tamil Nadu Portal (www.trb.tn.nic.in) from 1st March 2021. The last date for submission of online applications is 25/03/2021.**

# মিজোরামগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদগী লোনা য়াদবা পোৎলমশিং এ আরনা ফাগৎখ্রে




আইজোল, মার্চ ১০ (এজেন্সি):

চম্ফাই দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা রোন্টলাং এরিয়াদগী অসাম রাইফলসকী সর্চিপ বটালিয়ননা লোনা য়াদবা মওংদা পুশিল্লকখিবা লুপা ক্রোর ১.২৬ রোমগী ওইগদবা সুপারি মরু ফাবা ঙমখিবগা লোয়ননা দিষ্ট্রিক্ট অসিগী মফম অমদগীসু অসাম রাইফলস পর্সনেলশিংনা লুপা ক্রোর ১.৩ রোমগী ওইগদবা ফোরেষ্ট প্রদক্টশিং ফাবা ঙমখ্রে হায়রি।

অসাম রাইফলস পর্সনেলশিংনা রোন্টলাং এরিয়াদা লোনা য়াদবা মওংদা লল্লোন ইতিক্কী থবক চথরে হায়বা অকক্লবা পাউ অমা ফংবদগী মফম অদুদা থিবা হুম্বগী থবক চথখি। অসাম রাইফলস অমসুং কষ্টম প্রিভেন্টিভ ফোর্স অনীগী অপূনবা টিম অমনা চথখিবা থি হুম্বগী থবক্তা সুপারি মরুশিং অদু ফাগৎপা ঙমখিবনি। সুপারি মরু অদু বেগ ৫৬৩ দা হাপ্লগা পুনবা হোৎনরম্বনি। ফাগৎপা ঙমখ্রবা সুপারি মরু অদু মার্কেটতা লুপা ১,২৬,১১,২০০ রোমগী ওইগনি হায়রি। ইন্দো-ম্যান্মার ঙমখৈগী শরুকশিংদা লৈরিবা ষ্টেটশিং মরু ওইনা মিজোরামদা অথিংবা থমখ্রবা পোৎলমশিং লল্লোন ইতিক তৌবগী থবক তোয়না চথরি।

অমরোমদা চম্ফাই দিষ্ট্রিক্টকী অতোপ্পা মফম অদগী লোনা য়াদবা মওংদা পুরম্বা লুপা ক্রোর ১.৩ রোমগী ওইগদবা ফোরেষ্ট প্রদক্টশিং অসাম রাইফলসনা ফাগৎপা ঙমখ্রে। ফোরেষ্ট প্রদক্টশিং অদু ট্রক (রেজিষ্ট্রেসন নম্বর এম জেদ-০৪এ-৪৪৯৭) অমদা পুদুনা লাকখিবনি। ফারবা পোৎলমশিং অদু কষ্টম দিপার্টমেন্টতা খূৎশিন্নখ্রে হায়রি।

## CROSSWORD-3720



**ACROSS**

7 English county (4,3,4)
8 Fractures (6)
9 Not wide (6)
10 Health centre (6)
12 Deposit that forms on teeth (6)
13 Regret (3)
14 Earnings (6)
16 Illuminations (6)
18 Interment (6)
20 Something to aim for (6)
22 Twinkle, sparkle (11)

**DOWN**

1 Agitate (4)
2 To no avail (2,4)
3 Slaughter (8)
4 1950s prime minister (4)
5 Closer (6)
6 Overbearing (8)
11 Pine away (8)
12 Sneak (8)
15 Source (6)
17 European language (6)
19 Delayed (4)
21 At all times (4)

**Solution 3719**

| | | | | | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| C | O | M | B | A | T | | A | N | S | W | E | R |
| A | | O | | R | | | | I | | O | | E |
| M | A | N | G | O | | L | I | B | E | R | A | L |
| P | | A | | M | | A | | L | | S | | I |
| U | N | R | E | A | D | Y | | I | D | E | A | S |
| S | | C | | | | A | | C | | | | H |
| | | H | A | L | F | B | A | K | E | D | | |
| E | | | | E | | O | | | | E | | A |
| S | T | R | U | T | | U | N | A | R | M | E | D |
| T | | A | | T | | T | | G | | O | | O |
| E | X | P | R | E | S | S | | I | N | N | E | R |
| E | | I | | R | | | | L | | I | | E |
| M | O | D | I | S | H | | F | E | N | C | E | D |

**SOLUTION ON NEXT ISSUE**

# HUEIYEN SUDOKU

## Hueiyen Sudoku-3519

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| | | | | | | 8 | | 3 |
| | | | 1 | | 8 | | | 7 |
| | | | | | 3 | 5 | 1 | 9 |
| | 7 | | | | 1 | | | |
| | 2 | 3 | 6 | | 5 | 1 | 9 | |
| | | | 3 | | | | 7 | |
| 4 | 1 | 2 | 5 | | | | | |
| 3 | | | 4 | | 9 | | | |
| 9 | | 8 | | | | | | |

## Solution-3518

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 7 | 9 | 8 | 1 | 5 | 4 | 6 | 3 | 2 |
| 2 | 4 | 5 | 8 | 3 | 6 | 1 | 9 | 7 |
| 3 | 1 | 6 | 2 | 7 | 9 | 5 | 8 | 4 |
| 1 | 7 | 3 | 9 | 4 | 2 | 8 | 5 | 6 |
| 5 | 2 | 4 | 6 | 8 | 3 | 7 | 1 | 9 |
| 6 | 8 | 9 | 5 | 1 | 7 | 2 | 4 | 3 |
| 9 | 5 | 7 | 3 | 6 | 8 | 4 | 2 | 1 |
| 4 | 3 | 1 | 7 | 2 | 5 | 9 | 6 | 8 |
| 8 | 6 | 2 | 4 | 9 | 1 | 3 | 7 | 5 |

Fill in the empty fields with the numbers from 1 through 9
Every row must contain the numbers from 1 through 9
Every column must contain the numbers from 1 through 9
Every 3x3 square must contain the numbers

